থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ঈচেলগী ঈরৈগা ঈরোইনবা ঙমদ্রবা মীয়াম




ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ, ঐগী ইখুরা-ইতোন অমদি ইথক থোংবশিংগা লোয়ননা অথাবা ফি অমা ইল্লগা সিনেমা য়েংবা (নুমিদাং অথেঙবগী শো য়েংবা) চৎপদু নুংঙাইবা মথেল অমনি। ঙসিদি ৱারী ওইহৌরে। ঐনা খঙহৌবদা ইম্ফালদা সিনেমা হোল মঙা লৈরম্মী মখা দুকান (পাউনা কৈথেল) লোমদা ভিক্তোরি সিনেমা, ফ্রেন্দস তোকিজ, উষা সিনেমা, প্রতাপ তোকিজ (উষাগা প্রতাপকদি কোন্না লীংখৎলকপনি), বির তিকেন্দ্রজিৎ রোদতা ইম্ফাল তোকিজ (রুপমহল থিয়েতরদা ওইরম্বা)। মখা দুকান অসি 'মেক্সৱেল বজার' হায়না খঙনরম্মী হায়, অৱাং দুকান (থাঙ্গাল কৈথেল) অসিনা 'সদর বাজার' কৌরম্মী হায়না ৱারী ওইনা তাবনি। ঐখোয় ববানা হায়বদি মখা দুকান্দা ফ্রেন্দস তোকিজ, ভিক্তোরি সিনেমা অমদি এম এন বি তোকিজ (মাৰ্ৱারিশিংনা চলাইরম্বা কস্তুরি সিনেমাদু মীতৈশিংনা লৌশিনবা) - হোল অহুম অসিগা, অৱাং দুকান (সদর বাজার) দা রামকুমারি সিনেমা হায়বা অমগা মরী লৈরম্মী হায়। পাখঙ ফারক্তুনা য়ু পিদা চহী মরী লেপ্লুরবা মতুংদদি - আশা, জিনা, শঙ্কর, মিনি শঙ্কর মরী হাপচিল্লক্তুনা মাপন শুরল্লে। খরা লৈরগদি ফ্রেন্দস-মিনিগা তরা। হায়বদি, সিনেমাগী এন্তরতেনমেন্ত ইন্দষ্ট্রি অসি খোঙহৌ থুনা হম-হম চাওখৎলক্লিবা পান্বী অমগুম্লম্মী। অদুবু নোংমা খঙহৌদনা হৌরকখিবা নোংলৈ নুংশিৎ অমদগী, 'হিন্দি ফিল্ম' কাপ্পা থিংখিবদগী ইন্দষ্ট্রিএল- ইষ্টেৎ অদু খুন্তাক লানশিরকপগুম, মীনা য়োম্না-তিল্লম্বা সিনেমা হোলদগী সিনেমাদা ঙাওজবা কয়া তপ্না তপ্না লাপথোকখি। হম-হম চাউখৎলম্বা পান্বী অমা খঙহৌদনা সুঙ্গ্রং-মাঙ্গ্রংলকখি।

ঐখোয়না পাখঙ ওইরিঙৈ সিনেমা য়েংবা চৎপা হায়বসি অখন্নবা (স্পেসল ওইবা) প্রোগ্রাম অমনি। নুমিৎ কয়ানি ৱাৎলিঙৈদগী অখন্নবা নুমিৎ-পূংফম ঙাইনদুনা শাবী-শানৌ ওইবা অনীমক খ্বাইদগী নানবা, লৈজবা ফি-রোল শেৎনৈ-ইন্নৈ। অদুম হায়না য়েংমিন্নখিবা সিনেমা অদুগী মমীং, অহৈবা লাই য়েকপা থিদুনা রুমাল নৎত্রগা মোনখুমদা য়েকহল্লগা নীংথীবা লংনা লোল্লগা খুদোল ওইনা পীনরম্মী। থা কয়া, চহী কয়াগী নীংশিং খুদম্মি। অদুম্না হায়নখিবা পূংফমদা মানা মকে শেম্না লাক্লগা তিকেৎ ফংদদুনা হনবগী পাখঙ ইজ্জৎ মাঙবদু কন্নবা, ফুরিৎ লৌথোক্লগা তিকেৎ মরীখক নৎত্রগা অনীখক্তু কক্লবা পাঙ্গন-শক্তি পুথোক্তুনা ঈন্নখিবদু ঙরাঙতা থোকখিবা থৌদোক্কুন্নি।

ঙসি ওইরিবা ইম্ফাল সহরগী সিনেমা হোলগী ফিৱম, তশেংনা কূপ্না য়েংশিল্লুরবদি খঙলক্কনি - হৌরকপদা, হিন্দি ফিল্ম থিংখিবনা মরম ওইরম্লগসু, অসি য়ৌনা শোকচিনখিবগী মরমদি, সিনেমা হোলগী মপূশিংনা সিনেমা মশক খঙদবা অমদি মাগী অনৌবা মার্কেততুগী কষ্টমর মশক খঙদবদগী থোকপনি। কৈথেল হায়বসিগী অশেঙবা মপুদি কষ্টমরনি, দুকান মপু অমদি দুকান্দারশিংদি পোৎশিংদুবু ঙাক শেনবতনি। কষ্টমর লাক্ত্রবা দুকানদুদি হাংলুবগী কান্নদে। গ্লাসনা কোয়শিনবা, মার্বলনা ফ্লোর ওইবা, এয়র কন্দিসন রুমদা, শকহেনবা-শকহেনবী সেলসমেন্না ফম্বা দুকান্দা চঙলগা, লম্বীগী চিদাইদা য়াঙখৈদা ফংবা পোৎ অদু অনানবা মখুমদা হাপ্লগা চামঙাদা য়োনবা- তান্না তান্না লৈনরিবা করিগীনো? মমীং লৈবা কম্পেনি অমগী ব্রান্দেদ পোৎ অমদা, হোতেলদা - রেষ্ট্যুরেন্ততা ভেল্যু এদ্দেদ তেক্স হায়বা অহেনবা তেক্স অমা লৌনরম্লিবা, করম্বা ভেল্যু অমনো? কনানসু খন্থনদে। পীফম থোকপই পীবনি।

অদুবু, হোংলক্লিবা মতমগী য়াওল মতুংইন্না সিনেমা য়েংবা লাক্লিবা মীওইশিংদুগী খুদোংচানবা, মখোয়গী ভেল্যু হাপকৎনবা, মখোয়বু নুংঙাইহন্নবা সিনেমা হোলগী মপুশিংনা করি ৱাখল খনখ্রবগে? চহী য়াঙখৈগী মমাঙদা ওইখিবা থাক অদুদা অদুম থম্লগা, ঙসিগী মীরোল অসিগী মীওইশিং হোলদুদা লাক্লগা সিনেমা য়েংলোলাউ হায়বদুদি কনানসু তাররোই। এয়র-কন্দিসন-কার তোংদুনা লাক্লগা ৩৯-৪০ সেলসিয়স শাবা কাদুদা পূং অনী ফমদুনা কনানা সিনেমা য়েংনিংগনি। কারদু কদায়দা থাম্লমগনি? কার পার্কিংগী ৱাদুদি থমখিসি, তু-হ্বীলর তোংদবা মী লৈরক্ত্রবা মতমসিদা তু-হ্বীলর শেন্বগী ৱাখলদুফাও খন্থদে। মুম্বাইগী 'ফিনিক্স সোপ্পিং' মোলদা লাকপা কষ্টমরশিংগীদমক মথোন তরেৎ-নিপান ৱাংবা কার পার্কিং লৈহৌবদু মণিপুরদা চহী চামগী তুংদসু উরক্কনি থাজদে। 'সোপ্পিং মোল' হায়বসি ব্রান্দ ফেক্তরিগী প্রদক্টশিংদু য়োন্নবা শো রুম নৎত্রগা সেলস আউতলেত ময়াম অমা হাংবখক্তু নত্তে। সিনেমা অমদি মল্টি-কুইজিন রেস্তুরেন্তকী আইতেমশিংসু কষ্টমরশিংদুনা থিরক্লিবা 'ব্রান্দ প্রদক্ট' অমনি। আই-নোক্স অমদি পি ভি আর সিনেমাদা চৎপীয়ু - মফম অমখক্তদা সিনেমা মখল অহুম-মরী খন্দুনা য়েংবা ফংগনি, সিনেমা হোল অমদা মী লীশিং য়েংবগী মতম অদু লোইখরে। মখোয় য়াঙখৈ চামখক ভেল্যু লৈনা য়েংহনবদুনি - পিকচর অমদি সাউন্দ ক্বালিতি, এক্তর-পর্ফোর্মরশিংগী থাক, ফিল্ম মেকরশিংগী হৈ-শিংবা, ওদিতোরিয়ম মনুংদা ফংলিবা কমফর্ত অমদি কনভেনিয়েন্স। পুম্নমকসিদা কনানসু ইন্তরেষ্ট লৌনরক্তবনা, সিনেমা হোলদা চত্তুনা সিনেমা য়েংবা চৎপগী হৈনবী মাঙখিবনি, সিনেমাগী মগুণ হন্থখিবনি, সিনেমা ঊৎপা হায়বা বিজিনেসতু শেন্দোং ফংবা বিজিনেস ওইদ্রে খন্নরকপনি। চেন্থরক্লিবা মতমগী ঈচেলসিগী ঈরৈগা ঈরোইমিন্নবা হৈতবনি। সিনেমাগী এলিমেন্ত পুম্নমক শুনা য়াওরবা মণিপুরগী লিভিং আর্ত 'শুমাং লীলা' দা হেন্না ঈনোৎ হাপখিবনি।

অসুম্না, মতমগী ঈথক-ঈরৈগা য়াওনমিন্নবা হৈতবসি সিনেমাগী বিজিনেস তৌরিবা মখোয় খরখক্তগী নত্তে, মণিপুর মীয়াম পুম্বগীনি। মরুওইনা, মণিপুরগী থৌরাং থৌসিল য়াৎলিবা অখঙ-অহৈ, অঙম-অথৌশিংগীনি। পাউনা কৈথেল, থাঙ্গাল কৈথেল, বি তি রোদ অমদি এম জি এভিন্যু - মণিপুর মীয়াম পুম্বগী খোয়রী য়ুম্ফম, পূকচাক হুনফম ওইরিবা কৈথেলসিদা লাক্লিবা ময়ামগী শাদোং ওইরিবা গাড়ীশিংগী থমফম (পার্কিং) করম্না শেমগদগে? প্লান্নরশিংগী মকোক্না খনবা থোক্ত্রবা, লম্বী-তঙ্খায় থিংলগা খামহনবা নত্তনা অতোপ্পা লৈত্রে খল্লবা, খূৎ থারবা থবক অমনি। পোৎফম শেমগৎপা-শাগৎপা নত্তনা, পোৎ লৈবা লাকপশিংগী তৌফম থোকপদুদি তৌনি খঙদবা ওফিসর/পোলিতিসিয়ন ঙাক্তনি। পোথি অমত্তং খন্নসি, ওইথোকপা য়াবরা নৈনসি। তোম্বীসনা হায়স্কুলদা শাগৎলিবা মার্কেত কমপ্লেক্স অসিদা মথোল অহুম-মরী ৱাংবা, বেজমেন্ত য়াওবা কার-পার্কিং-বিল্ডিং অমত্তং শাহৌবা ... হৌজিক কৈথেল ওইরিবা, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল লৈরম্বা মফম অসিদা অচৌবা অপাকপা, লৈনূং-কা য়াওনা মথোল মঙা-তরুক্কী পার্কিং অমা শেমগৎপা ...। থৌরাং অসি নত্তনা, প্রোব্লেম অসি কোক্কবা অতোপ্পা পান্থৈ উদে, নুংতিগী পুলিসকী লূদবা খোন্থি চারিবা, পোৎ লৈদ-য়াদ-লৈরিবা গাড়ী খামফম খঙদ্রবা কষ্টমর ওইনা। হোংলক্লিবা মতমগা ঈরোইনবা ঙমদ্রবা লমসিদা, মীনা হায়নৈ হায়দুনা 'স্মার্ট সিতি'গী ৱা ঙাংলুবা, মঙ মঙলুবা হৌনদে।

লৌশিং পুক্কৈ

# থা শুদনা পোকপা অঙাংশিং চাউরক্লগা মশা শোল্লি, হীরম কয়াদা শোৎথৈ : ষ্টদি



থা বুম তরা নাউপুরগা পোক্লকপা অঙাংশিংগা চাংদম্নবা মতমদা থা শুদনা পোক্লকপা অঙাং খুদিংমক চাউরক্লগা মশল ইশোল-শোল্লি অমসুং হীরম কয়াদা শোৎথৈ হায়বা থিজিনবদগী খঙবা ঙল্লে।

চাংচৎতা মপুং ফানা মীরোনবগী মতম অসি চয়োল ৪০ নি। চয়োল ৩৭ কী মতুংদা পোকপা অঙাংশিংবু থা শুদনা পোকপা হায়না লৌনৈ। অসিগুম্বা অঙাংশিং মপুং ফানা মশল শেমগৎলকপা ঙমদবদগী মশা ইশোন শোনবগা লোয়ননা কার্দিও-রেস্পিরেটরি ফিটনেসকী চাংসু হন্থৈ।

মতৌ অসুম্না থা শুদনা পোক্লকপা অঙাং খুদিংমক তাইবঙদা হেক খোঙদারকপগা নিংশা শ্বর হোনবা ৱাবা অমদি চাবা তুমদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লৈ। অঙাং খরদি পুন্সি চুপ্পা নীংথিনা মীৎ উবা ঙদবা, ময়েক শেংনা তাবা ঙমদবা, মহৈ-মশিনদা শোৎথবা অমদি মমান্নবা লোয়নবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লৈ।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা রিছার্স ৱার্কশিংদসু থা শুদনা পোক্লকপা অঙাংশিংগী মশল শোল্লি হায়বা খঙখ্রবনি। অদুবু হন্দক্কী ষ্টদি অসিদা খরা মনুং হঞ্জিন্না খঙবা ঙল্লকপা ৱাফম অমত্তং হায়রবদা অঙাংশিংগী হার্টকী ফীভম ফহন্নবা ঙল্লিঙৈদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই। অদুম ওইনমক হার্ট ফনবনি হায়দুনা হকচাং শাজেল তৌবগী মতাংদদি নীংথিনা খঙ-হৈরবা ডোক্তর অমগা হান্না তান্নবা মথৌ তাই।

মালেমগী ওইনা য়েংবদা অঙাং ১০ খুদিংগী মনুংদা অমা থা শুদনা পোক্লকপগী মওং অমা উবা ফংলি। থৌওং অসিনা অঙাং অদুগী তুংগী পুন্সিদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্ল হনবগা লোয়ননা হকচাংগী ফীভম শেমগৎলকপা, মহৈ তম্বা, অতোপ্পা মীগা ৱারী শানবা অমসুং মী লোয়নবদা শোৎথবা থেংনরি।

এটেন্সন দিফিসিট হাইপর-এক্তিভিটি দিসওর্দর (এ দি ঐচ দি) য়াওনা বিহেবিয়র প্রোব্লেম কয়া থোকহল্লকপগা লোয়ননা ব্রেন, স্পাইনেল কোর্দ অমদি নর্ভশিংদা শোক্লকপদগী সেরিব্রেল পালসিগুম্বা ন্যুরোলোজিকেল দিসওর্দর, লোয়ননা ৱা ঙাঙবা, মী তীন্নবা অমদি ৱাখল মপুং ফারকপদা অকায়বা পীরকপা ওটিজমগুম্বা ওইহল্লকপা য়াই।

মসিগীসু মথক্তা থা শুদবা মীওইশিংগী লংসতা অকায়বা থোরকপা মরম্না অজমা অমদি ব্রোংকোপল মোনরি দিসপ্লেসিয়াগুম্বা নিংশা শ্বর হোনবা য়াদবগী লায়না ওইহল্লকপা য়াই। লংস শেল্লকপদা অশোয়বা তারবদি খজিক্তং ওইরবসু মতম ঙনখৎপা অমদি অরূম্বা শুদনা পোক্লকপা অঙাং খুদিংমক তুংগী পুন্সিদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লৈ হায়বা ৱাফম অসিনি।

ফিনলেন্দদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ অলু অমদি নেসনল ইনষ্টিট্যুট ফোর হেল্‌থ এন্দ ৱেলফেয়রগী ডা. মরজানা টিকানমাকিনা লুচিংদুনা ষ্টদি অদু চথখিবনি। মহাক্না হায়খি, থা শুদনা পোক্লকপা অঙাং খুদিংমক্কী মশল শোল্লি হায়বা ময়েক শেংনা খঙলে।

থা শুদনা পোক্লকপা (প্রি-টার্ম বর্থ) অঙাং অমগী তুংগী পুন্সিদা করি করম্বা খুদোংচাদবশিং মায়োক্ল রকপা য়াবগে হায়বগী মতাংদা রিছার্সরশিংনা থিজিনখি। মদুগীদমক চয়োল ৩৪ য়ৌফাৎতনা পোক্লকপা অঙাং ১৩৯ অমসুং চয়োল ৩৪ দগী ৩৬ ফাওবা মীরোল্লগা পোক্লকপা অঙাং ২৪৭ কী মরমদা থিজিনখি।

হায়রিবা অঙাংশিং অদু থাবুম ১০ (চয়োল ৪০) নাউপুরগা পোক্লকপা অঙাং ৩৫২ গা চাংদম্নদুনা য়েংলম্মী। অঙাংশিং অদুনা মশাগী চহী ২৩ শুরকপা মতমদা মশল অমদি পাঙ্গল কনবগী চাংয়েং পাঙথোকপা মতমদা থা শুদনা পোক্লকখিবা মীওই পুম্নমক শোথবা থেংনখি। বোষ্টোনদা লৈবা হার্ভার্দ মেদিকেল স্কুলগী রিছার্সর ডা. রবি শাহনা হায়খি, থা শুদনা পোক্লকপা লৈবদগী লায়না অসি ওইরকপনি। কনাগুম্বা খরদা লংসকী ফীভম ফগৎলকপা য়াওরবসু মীওই খরদি পুন্সি চুপ্পা শাগোন্নবগী ফীভমদা লৈরি।

থা শুদনা পোক্লকপা অঙাং খরদা নেক্রোটাইজিং এন্টরোকোলাইটিস (এন ঈ সী) কৌবা লায়না অমনা মরম ওইরদুনা ইন্টেষ্টাইনগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্ল হল্লকপা য়াই। লায়না অসিনা ইন্টেষ্টাইনদা অকায়বা পীরকপদগী ফনা য়াম্না চাবা থকপা তৌরবসু চীঞ্জাক্তগী কান্নবা মচলশিং লৌশিনবা ঙমহল্লক্তবা য়াই।

কনাগুম্বা অঙাং খরদি তুংগী পুন্সিদা ন্যুমোনিয়া (লংসতা ইনফেক্সন তৌবা) অমদি মেনিঞ্জাইটিস (ব্রেনদা ইনফেক্সন তৌবা) য়াওনা মখল কয়াগী ইনফেক্সন মায়োক্লরকপা য়াই। থা শুদনা পোক্লকপা অঙাংশিং রেটিনোপেথি ওফ প্রিমেচ্যুরিটি (আর ও পি) না ময়েক শেংনা মীৎ উবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরকপা য়াই। মসিদসু নত্তনা না তাথিবা অমদি য়াগী খুদোংচাদবা কয়ামরুমসু মায়োক্লরকপা য়াই।

পুম্নমক অসিগী য়েংলুরগা থা শুদনা পোক্লকপা অঙাং খ্বাইদিংমক য়াম্না ঙল্লিঙৈদগী হৌনা চেকশিনবা অমদি মওং মরিল তানা লোয়নবীবগী মথৌ তাই।

# রিমসতা নোংমগী ওইবা ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে, মীওই কয়ানা ঈ পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস): ষ্টেট ব্লদ সেল এন ঐচ এম মণিপুরগী স্পোন্সর মখাদা হ্যুমেন স্কীল ইম্পাৱরমেন্ট সেন্তর মণিপুরনা দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিন রিমসকা খুৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা ঙসি রিমসতা পাঙথোকখ্রে।

ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিগী মতাংদা দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিন রিমস ইম্ফালগী প্রোফেসর এ বরিন্দ্র শর্ম্মানা ফোঙদোকখিবদা, ভলুন্টরি ব্লদ দোনেসন অসি মণিপুরদদি খরা হন্থনা লৈরি। ওর্গনাইজেসনশিংনা থোরক্তুনা ঈ পীবসি নুংঙাই। কুমজা ২০২০ ফাওবদা ৱর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন্না হায়রিবসি ভলুন্টরি ওইনা পীবা ঈ অসিনা শীজিন্নগদবনি হায়বনি।

ভলুন্টরি ব্লদ দোনর হায়বসি য়াম্না মথৌ তারে। মণিপুরগী ওইনা ৱর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন্না পীরিবা টার্গেট অসিদা হোৎনবনি। অদুবু টার্গেট অসি য়ৌদ্রি।

নেসনল ভলুন্টরি ব্লদ দোনেসন নুমিৎ কোলকটাদা পাঙথোক্কনি। হান্নদি ব্লদ দোনেসন তৌবা মী কয়া লৈরমদে। অদুবু হৌজিক্তি মীওই কয়া থোরক্লে। ওর্গনাইজেসনসু তরা হেন্না থোরক্লে। মহৈরোয়শিং য়াওনা ওর্গনাইজেসনশিং থোক্লকপা অসিনা হেন্না হেন্না থোক্লকখিগনি হায়বগী থাজবা লৈরি। ঈ পীবা হায়বসি চহী ১৮ দগী ৬৫ ফাওবগী মনুংদা পীবা য়াই। মী অমনা ১৮৮ লক ঈ পীবা য়াই। থা অহুম অহুম খুদিংগী ঈ পীবা য়াই হায়না সাইন্সনা পুথোকখ্রে। ঈ পীগদৌরিবা মী অদু হান্নদি টেষ্ট তৌগনি। হেমোগ্লোবিন লৈফম থোকপা চাংদা লৈগদবনি। মদুগী চাং য়েংলগা চথগনি। হেপটাইটিস বি, সী অমদি ঐচ আই ভি টেষ্ট তৌগনি। ঈ পীবা য়াবা ক্রাইতরিয়া কয়া লৈরি। ব্লদ দোনেসন পাঙথোকপা মতমদা শীল্লিবা ওর্গনাইজেসন অদুদা ষ্টেট ব্লদ সেল এন ঐচ এমগী মায়কৈদগীসু মতেঙ পাঙবা য়াওই। রিমসতা পাঙথোকপদা লুপা লিশিং তরেৎ, মপানদা ওইরগনা লুপা লিশিং নিপান পী হায়নসু ফোঙদোকখি।

হ্যুমেন স্কীল ইম্পাৱরমেন্ট সেন্তর মণিপুরগী সেন্তর হেদ ৱাহেংবম রোর্কিচান্দনা ফোঙদোকখিবদা, ঈ পীবা হায়বসিদা কথোকপগী পান্দম য়াওরি। কথোকপগী পান্দমদা ঈ পীবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা পাঙথোক্লিবনি। ঈ পীবদগী হেন্না চাউবা দান করি লৈরিবগে। খুন্নাইগী ওইনা থৌদাং অসি লৌবনি। ঙসি য়াওহৌদবশিংনা সেপ্তেম্বর ২৫ দা অমুক ঈ পীগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি রিমসতা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা মীওই কয়ানা ঈ পীনখি।

# নট সঙ্গীট একাদেমী এন্দ রিসর্ছ সেন্তরগী ২৪শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২: নট সঙ্গীট একাদেমী এন্দ রিসর্ছ সেন্তর য়াইস্কুল জনস্থানগী ২৪ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরম জনস্থান লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী দিরেক্তর এল উপেন্দ্রো শর্ম্মনা চীফ গেষ্ট, এন এস এ এন আর সীগী প্রসিদেন্ট টিঐচ তোমচৌনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। পদ্মশ্রী এস থানিল অমদি এস পি আই সী এম এ সী এ ৱাই ইম্ফাল চেপ্তরগী প্রসিদেন্ট ডা. দব্লিউ ইবোমচানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।




থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী দিরেক্তর এল উপেন্দ্রোনা হায়খি, থবক অমা তৌবা হায়বসি ভিজন থম্লগা চঙশিনবা চঙই। ভিজন য়াওদ্রবদি মীনা তৌনৈ হায়না পঙতৌ তৌবনা চুম্লোই। টেলেন্ট হায়বসি লৈনবা হোৎনবা চঙই। টেলেন্ট হায়রগা পোকপদগী য়াওরকপা অমা অমদি হোৎনবগী মখা পোন্না লৈবসু য়াওরি।

লমদম অসিদা পোক্লিবা ঐখোয়সি লাইপোক্লি হায়বসি চুমই হায়না খল্লি। মপুং ফারবা কলচরশিং থম্বীরম্বা হায়বসি মপুগী খুদোলনি। লৈহাও লৈবা মণিপুর ওইবনা শক্নাইরবা ওজা কয়া চৎখ্রবসু মতুং ইন্নবা কয়া লাকই। লমদম অসিদা পোকচবা ঐখোয়সি চাউথোকচবা পোকই। হৌজিক্কী মতমদা মহৈরোয়শিংনা ৱাখল নীংথিনা খনবা চঙই।

জে এন মণিপুর দান্স একাদেমী অসি কোংগ্রেসকী মতমদা জৱাহরলাল নেহরুগী মতমদা শেল্লম্লবসু হৌজিক্কী লৈঙাক অসিনা লায়না লৌবদি নত্তে। অতৈগা য়েংনরুবদসু তাদনবা হোৎনবা ওইরি। তুংগী মীরোলগী য়েংলগা হেন্না শনে দাক্লবা হোৎনবা চঙই। অরিবা কয়াবু য়োকখৎতুনা থম্বা তঙায়ফদে। হৌজিক্তি সাইন্টিফিক টর্মদা লাক্লবনিনা হেন্না চেকশিন্না হোৎনবা চঙই। অখঙ অহৈ, ওজা কয়া লৈরিবশিদগী হেন্না খঙনবা তমহৌসি। মথং চহীদগী খরা হেন্না চাউনা থৌরম অসি পাঙথোক্লবা হোৎনসি। শেলদা অমদি পাঙ্গলদা পাঙবা য়াবা মতেঙ পাঙগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা নাত্য সঙ্গীট একাদেমী এন্দ রিসর্ছ সেন্তরগী সেক্রেটরি হিদংময়ুম শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ১৯৯৪ দা সেন্তর অসি লীংখৎখিবনি। কুমজা ২০০৪ দগী ওজা ব্রেন্দ্রানা রিসর্ছ সেন্তর অসি হাপচিনবীদুনা হেন্না চাউখৎনবা হোৎনবীরম্বনি। অরিবা কয়া নৈনদুনা ওজা গুরু কয়াদগী তমজদুনা লাকখি। হৌজিক চংশিল্লিবা অসিনা পুঙ য়ৈরবসু ঈশৈ হৈতবা য়াদে, ঈশৈ হৈরবসু পুঙ হৈতবা য়াদে হায়বা পান্দমগা লোয়ননা চঙশিনবনি হায়খি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা পুঙ য়ৈরগা ঈশৈ শকপা অমদি ঈশৈ শক্লগা পুঙ য়ৈবগী পর্ফোমেন্সসু উৎখি।

# শিংজমৈ কম্যুনিটি হোলদা থা অসিগী ১৮ দা ৱর্ল্ড বম্বু দেগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস): ৱর্ল্ড বম্বু দেগী থৌরম থা অসিগী ১৮ দা শিংজমৈ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্কদৌরি।

ৱাগী মরুওইবা অমদি ৱা শীজিন্নবগী মতাংদা এৱ্যেরনেস পীনবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা সেপ্তেম্বর ১৮ দা ৱর্ল্ড বম্বু দেগী থৌরম মফম কয়াদা পাঙথোক্কগদৌরি। ৱানা ইনভাইরোনমেন্ট ফহনবদসু চাউনা মতেঙ পাঙলি। ৱর্ল্ড বম্বু দে অসি কুমজা ২০০৯ দা প্রাচনবুরি, থাইলেন্দদা ৱর্ল্ড বম্বু ওর্গনাইজেসনগী মখাদা বম্বু দেগী থৌরম পাঙথোকখিবা লৈখি।

থা অসিগী ১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড বম্বু দেগী থৌরম অসি মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী স্পীকর ৱাই খেমচান্দগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরি।

নুমিৎ মঙানি চথগদবা বম্বু এন্দ কেন অমদি এল্লাইদ ক্রাফটকী এগজিবিসন অমসু বম্বু দেগী থৌরম নুমিৎ অসিদগী হৌদোক্কনি। বম্বু ফোর ইনভাইরোনমেন্ট, ইনর্জি এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট হায়বা থিমদা পেন্টিং কম্পিটিসন অমসু থা অসিগী ১৯ দা পাঙথোক্কনি। কেটগোরি অনী থোক্লা পেন্টিং কম্পিটিসন অসি পাঙথোক্কদবনি। ক্লাস ৱানদগী ফোর ফাওবগী মনুংদা লৈবা গ্রুপ এগী কেটগোরি অমদি ক্লাস ফাইবতগী আইট ফাওবগী মনুংদা লৈবা গ্রুপ বিগী কেটগোরি অনীথোক্লা পেন্টিং কম্পিটিসন অসি পাঙথোক্কনি।

বম্বু ইটস প্রদক্ট এন্দ রিলেসন ৱিথ ইনভাইরোনমেন্ট, বম্বু প্লান্টেসন হায়বা থিমদা সিম্পোজিয়ম কম লেকচর অমসু পাঙথোক্কনি। বম্বুগী থিমদা ফেসন শো-সু পাঙথোক্কনি। মহৈরোয় কয়ানা শরুক য়াদুনা বম্বু রনসু পাঙথোক্লবা শেম শারি।

ৱর্ল্ড বম্বু দেগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা নুমিৎ মঙানিগী ওইবা বম্বু এন্দ কেন অমদি এল্লাইদ ক্রাফটসকী এগজিবিসন অসিদা ৱানা শাবা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া উৎকদৌরি। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লৈবা খুৎ শা হৈবা কয়ানা পুথোকপা ৱাগী ওইবা মখল মথেলগী পোৎলম কয়া এগজিবিসন অসিদা উৎকদৌরি। ৱাগী মরমদা খঙ হৈরবা মীওই কয়াসু ৱা ঙাঙগদৌরি হায়রি।

# ঈ এন টি কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস): ফ্রি ঈ এন টি, ও পি দি কন্সলটেন্সন কেম্প ফোর থাইরোইদ, থ্রোত এন্দ নেক দিসওর্দর ঙসি লম্ফেল সনা কৈথেলদা লৈবা শিজ ঈ এন টি হোস্পিটালদা পাঙথোকখ্রে হায়না শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিসর্ছ ইন্সটিট্যুটকী ব্যুজিনেস দিভলপমেন্টকী দেপ্যুটি মেনেজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ও পি দি কন্সলটেসন কেম্প পাঙথোক্তুনা লেম্না লায়েংখিবা অদুদা অনাবা ৬৭ রোম লায়েংখি। থাইরোইদ, খৌনাও অমসুং ঙক্কা মরী লৈনবা অনাবা কয়া ঙসি লায়েংবগী থবক চথখি। ডা. সুপ্রিয়া চোংথাম, ডা. ধনেশ্বর চোংথাম, ঈ এন টি কন্সলটেন্ট ডা. নিতেশ্বর মোইরাংথেমনা লায়েংবগী থবক চথখি হায়নসু মখা তারি।




HL-P/2553/5,9,13,17,21,25,29 Sep& 3,6 Oct.